**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 23-03-2025)**

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** হায় কোর্ট ওফ মনিপুর লিংখৎখিবগী চহি ১২ মপুং ফাবগী থৌরম ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লা, নেসনেল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী ইগজকিটিব চেয়ারমেনসু ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট-জষ্টি-বি.আর গভাই, সুপ্রিম কোর্টকী জজশিং-জষ্টিস-বিক্রম নাথ, জষ্টিস-এম.এম. সুনদ্রেস, জষ্টিস-কে.ভি. বিশ্বানাথন, জষ্টিস-এন. কোতিশ্বর, কেন্দ্রগী আইন মন্ত্রি-আরজন রাম মেঘাৱাল, হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চীফ জষ্টিস-জষ্টিস-কৃষ্ণকুমার, হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী জজ-জষ্টিস-এ. বিমোল সিংহ, জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্মা, জষ্টিস-গোলমৈ গাইফুলসিলু, এদভোকেট জেনরেল, বার কাউন্সি অমসুং বার এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিং, চীফ সেক্রেটরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর অমসুং দি.জি.পি. শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা মরী লৈননা রাজ্যপালনা চুরাচান্দপুরগী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন কোর্ট বিল্ডিং শানবা উরেপ উয়ুং তমখি অমসুং হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস সেক্রেটরিয়েটকী অনৌবা ফমশিং হাংদোক্লগনি হায়না লাউথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী আইন মন্ত্রি-আরজন রাম মেঘাৱালনা হায়-রাজ্য অসিদা অথুবা মতমদা শান্তি হনজিল্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মহাকা হায়-লমদম অসিদা শান্তি হনজিল্লক্তুনা রাজ্য অসি চাউখৎ লম্বীদা য়াওশিনদুনা ভেক্সিত ভারত ওইনবা হোৎনরিবা অসিদা শোয়দনমক্কী মতেং পাংলক্কনি।

হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী চহি ১২ শুবা থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা হায়-মমাংঙৈদগী লৈরম্লবা কুচু অমসুং পচা কোর্টকী হাক্তক্তগী আইনগী লমদা থোইদোক হেন্দোকা মগুন লৈবা লমদম অমা

ওইরক্লি। মহাকা হায়-মতমগী মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী জ্‌দিসিএলগী থবক থৌরম কয়াদা অওনবা কয়া লাকখ্রে। মসিগা লোয়ননা চৈরাপ কোর্ট লিংখৎতুনা রাজ্য অসিগী ইতিহাসতা খ্বাইদগী মরুওইবা জ্‌দিসিএল ইষ্টাব্লিসমেন অমা ওইরি। নীংখা তমদ্রিঙৈদগী হৌনা মনিপ্‌র ষ্টেট দরবারনা তোঙান তোঙানবা মখলগী আইনগী ওইনা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্লমখি।

লমদম অসিদা আইন মপুং ফানা লৈহন্নবা হোৎনবদা কৎথোকপগা লোয়ননা চোকথবা লৈতনা থবক পাঙথোকপগীদমক মনিপুর হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস অমসুং জজশিংবু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**আইদিপি (এল)ঃ** রিলিফ কমিতি মনিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমনা রাজ্য অসিগী খোঙচৎতা লৈরিবা সুপ্রিম কোর্টকী জজশিংগী মীহুৎ কাংবু অমদা মেমোরেন্দম অমা ঙরাং পীশিনখ্রে হায়রি।

রিলিফ কমিতিগী কো-ওর্দিনেটরশিং অমসুং চীফ কো-ওর্দিনেটরনা সহি তৌদুনা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা তোঙান তোঙানবা দাবী ১৩ য়াওখি। মদুগী মনুংদা, খুৎলায় পায়বশিংনা মীচম মীয়ামদা চথ্থরক্লিবা লানশিং খুদক্তা লেপহনবা, লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ময়ুম ময়ুমদা হনজিলহনবা, রাজ্য অসিদা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌহনবা, আই.দি.পিশিংদা লেমা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংহনবা, সরকার অমদি লন্নাই সংস্থানশিংদা থবক চংবদা আই.দি.পিশিংদা হেন্না খুদোংচাবা পীবা, আই.দি.পিশিংগী ওইবা গ্রীভান্স সেল হাংদোকপা, দোমিসাইন সার্টিফিকেট, ও.বি.সি. সার্টিফিকেট, বার্ড সার্টিফিকেট অমসুং লেন্দ রেকোর্ডনচিংবা তঙাইফদবা চে-চাংশিং থিন্থবা তৌদনা পীবীবা অমসুং আই.দি.পিশিংবু পার্সোনেল এক্সিদেন্টেল ইন্সুরেন্সনচিংবদা য়াওহনবীনবা হোৎনবিয়ু হায়রি।

**ফেষ্টিবেল(এল)ঃ** নুমিৎ মঙানি চথ্থগদবা গুরু অমুবী নেসনেল ক্লাসিকেল

সোলো দান্স ফেষ্টিবেল, উরিপোক লম্বোই খোঙনাংখোংদা লৈবা মনিপুরি জগোই মরুপকী ওদিটোরিয়মদা হৌদোকখ্রে।

কেন্দ্রগী কলচরেল মন্ত্রালয়গী মখাদা মনিপুর জগোই মরুপ ইম্ফালনা শিনদুনা থা অসিগী ২৭ ফাওবা চথ্নগদবা ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী আর্টিষ্টশিংনা শরুক য়াগনি অমদি তোঙান তোঙানবা জগোইশিং উৎকনি।

**শিবা সেনা (এল)ঃ** শিব সেনা মনিপুর প্রদেসনা হায়রি-সুপ্রিম কোর্টনা মনিপুর য়াওনা রাজ্য খরদা দিলিমিটেসনগী থবক থৌরমশিং থা অহুমগী মনুংদা লোয়শিন্নবা খঙহল্লকপা অসি দল অসিনা তরামা ওকই।

অদুমওইনমক, রাজ্য অসিদা নেসনেল রেজিস্তার ওফ সিটিজন্স (এন.আর.সি) মপুং ফানা চৎনহল্লবা মতুংদা দিলিমিটেসন পাঙথোক্কদবনি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বালা সহেব উধপ থাক্রে ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা হায়-মনিপুরগী ইলেক্তোরেল রোলদা মফম খরদা মীশিং খঙহেন হেনগৎলকপগী থৌওং অসি কুপা য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাকা হায়-১৯৯১ দগী ২০০১ ফাওবা হেনগৎলক্লিবা মশিং অমসুং ২০০১ দগী ২০১১ ফাওবদা মীশিং লাখ ১০ হেন্না হেনগৎলক্লি। হেনগৎলক্লিবা মীশিং অসি অধারগা লিঙ্কঅপ তৌরগা য়েংশিনবা তঙাইফদে। শ্রী তোম্বীনা ২০১১ দগী ২০২৪ ফাওবদা কয়া য়ামা হেনগৎলমগদগে হায়বদু খঙদ্রবসু হান্নগী অসিগা য়েংলুরবদি মশিং কা হেন্না হেনগৎলম্বা য়াই।

**দিসা (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট দিবলপমেন্ট কো-ওর্দিনেসন এন্দ মোনিটরিং কমিতি (দিসা) গী মীফম ঙসি নিনি চনবা ওইনা পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদু দিসা কমিতিগ চেয়ারপার্সন অমসুং

ইন্নর মনিপুরগী লোক সভা সদস্য ডা: অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখি।

মীফম অদুদা ডা: বিমোলনা সমাজ অসিদা অফবা অওনবা পুরকবা হোৎনবদা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা অমত্তা ওইনা অমসুং পুকচেল শেংনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি। দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংনা জিলা অসিগী য়াইফনবা থবক তৌবা মতমদা একাউন্টেবিলতি অমসুং মনুং মপান ফাওনা উহন্নবা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি। মীফম অদুদা এম.এল.এ. টি.ঐচ. লেকেশ্বর অমসুং দিপ্যুতি কম্মিস্নার-এম. রাজকুমার শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস থৌবাল অমসুং লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা লিলোংদা লৈবা ন্যু লাইফ সোলুসন সেন্টর থিংজিনখ্রে।

সেন্টর অসি দিপ্যুতি কম্মিস্নার থৌবালগী পাউতাক মতুং ইন্না থিংজিনবনি হায়রি। সেন্টর অসিদা পুন্না হনমেট ৩১ লৈ। মসিগী মনুংদা ইনমেট ২৮ মখোয় মখোয়গী মমা-মপা অমদি মরী-মতাশিংদা খুৎশিন্নখ্রে। অদুগা ইনমেট অহুমনা অনৌবা মঙালদা লৈহনখ্রে হায়রি।

**তাংখুল (এল)ঃ** তাংখুল কতমনাউলোং ইম্ফালনা মনিপুর টেকিকেল য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর হাপ্পীনবা রাজ্যপালগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

রাজ্যপালদা ইবা চিঠি অমদা লুপ অসিনা হায়-চহি অনি হেন্না মনিপুর টেকি কেল য়ুনিভরসিতিগী রিগুলর ভাইস চাঞ্চেল্লর লৈতবনা য়ুনিভরসিতি অসিগী থবক থৌরমশিংদা চাউনা অপনবা থোক্লে।

**লাইনিংথৌ (এল)ঃ** চহি খুদিংগী শজিবুগী নোংমা পানবা খুদিংগী বিষ্ণুপুর জিলাগী কৈনৌদা লৈবা লাইনিংথৌ লম অহিংবগী হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম

হন্দক চহিগী ওইনা থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্লগনি হায়না লাইনিংথৌ লম অহিংবা থৌগল লুপনা হায়রি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা এক্স সাভির্সমেনগী মীফম অমা ঙসি তমেংলোংগী খোঙশাংদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি, তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী এক্স সার্ভিসমেন অমসুং বির নারিশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খঙদোকবনি।

**ব্লড(এল)ঃ** রিমস ব্লড বেঙ্ক, লাইফ সেভরস মনিপুর, ঐচ.দি. ফাউন্দেসন অমদি লমদেং অপুনবা নহারোলশিংনা শিনদুনা ঙসি ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

**মেট (এল)ঃ** মেত্রিওরোলোজিকেল সেন্টর ইম্ফালগী পাউ মতুং ইন্না মনিপুরগী তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং উখ্রুলগী মফম কয়াদা ঙসি অখাক অরালগা লোয়ননা নোং চুগনি। অদুমওইনমক, রাজ্য অসিগী অতৈ মফমশিংদদি নোং চুরোই।

অমরোমদা, ইন্দিয়ান বিভাগকী পাউ মতুং ইন্না ছাতিসগর, অন্ধ্র প্রদেস, তেলঙ্গানা অমসুং করনাতক্কী মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা ঙসি অখাক অরাও য়াওনা ময়াই ওইরপ নোং চুগনি।

অরুনাচল প্রদেসকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা পুংদা কিলোমিটর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা য়াওনা নুংশিৎ শিৎকনি অমসুং মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি। লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা অসাম, মেঘালয়া, নাগালেন্দ, মনিপুর, মিজোরাম, ত্রিপুরা, তামিল নাদু, পুদুচেরি অমসুং লক্সদিবকী মফম কয়াদসু নোং চুগনি।

**ডে ঃ** জাতি অসিনা ঙসি লৈবাক অসিগী নীংতম ইহৌদা থৱায় কৎখ্রবা সহিদ ভগত সিংহ, শিবরাম রাজ গুরু অমসুং সুখদেব থাপরগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি। মখোয় অহুম ইং ১৯৩১ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা লহোরগী সেন্ত্রেল জেলদা ফাসিঁ তৌদুনা হাৎখিবনি।

লাহোরদা ইং ১৯২৮ গী দিসেম্বর ১৭ তা বৃটিশ পুলিস ওফিসার-জে.পি. সোনদর হাৎনবা থৌরাং তৌখি হায়বগী মরালদা মখোয়বু শিবগী চৈরাক পীখিবনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি অথৌবশিংগী নুমিৎতা ভারতকী ফ্রিদম ফাইটর-ভগত সিংহ সুখদেব অমসুং রাজ গুরুগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা রিভোলুস্নারি লুচিংবশিং অসিনা কৎথোকখিবা অদুবু নীংশিংলি। মখোয়না অকিবা লৈতনা নীংখা-তমবা অমসুং অচুম্বা ফংনবা মথ্বায় কৎথোকখিবা অসিনা মতম লৈবা খিবিক্তা মীয়ামবু পুকিং থৌগৎলি।

**ক্যুইট ঃ** নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ) না কম্মন য়ুনিভরসিতি এন্ত্রান্স টেষ্ট (ক্যুইট-য়ুজি) ২০২৫ কী রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী মতম শাংদোক্লে। কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী ওন লাইন এপ্লিকেসন মে ২৪ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি।

পরিক্ষাগী ফি পীশিনবগী মতম হান্না থা অসিগী ২৩ ওইরম্বদু তাং ২৫ গী নুমিদাং পুং ১১ মিনিট ৫০ ফাওবা শাংদোক্লে। এপ্লিকেসন শেমদোকপগী মতমনা হান্না থা অসিগী ২৬ তগী ২৮ ফাওবা ওইরগনি। ক্যুইট য়ু.জি. ইগজাম ২০২৫, মে ৮ দগী জুন অমা ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্লবা য়াই। পরিক্ষা অসি লৈবাক শিনবা থুংবদা অমসুং মপান লৈবাক্কী সহর ১৫ দা পাঙথোক্কনি।

**ফিটঃ** কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানা হায়রি-ভারত্তা ফিট ইন্দিয়া খোঙজং মায় পাকহনগে হায়রবদি মীওই অমগী

নোংমগী থৌদাংদা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং সাইকল থৌবা তঙাইফদে।

মহাকা হায়-সাইকল থৌবনা হকচাং ফবতা নত্তনা অকোইবগী খল ঙাক্তুনা থমবা হোৎনবদা চাউনা মতেং পাংলি। ডা: মন্দাভিয়ানা ঙসি অয়ুক লক্ষনৌদা কিলোমিটর অহুম হেন্না সাইকল থৌদুনা লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্লিবা ফিট ইন্দিয়া সন্দে ওন সাইকল কেম্পেইন লমজিংখি। শ্রী মন্দাভিয়ানা হায়-সাইকল থৌবনা মীওই অমগী ৱাখল্লোন ফগৎহনবতা নত্তনা হকচাং ফগৎহল্লি। মরম অদুনা মীয়ামনা মশা ফনা লৈনবগীদমক নোংমাইজিং খ্দিংগী পুং খরদং ওইরবসু সাইকল থৌবিয়ু।

কেন্দ্রগী মন্ত্রি অসিগা লোয়ননা উত্তর প্রদেসকী শান্ন খোৎনবগী মন্ত্রি অমসুং সাইকল থৌবা মীওই ৪০০ হেন্না শরুক য়াখি। লৈবাক শিনবা থুংবদা চথরিবা কেম্পেইন অসি মফম লিশিং ৪,২০০ পাঙথোক্তুনা মীওই লাখ অনি হেনবনা শরুক য়াখি।

**পোলো (এল)ঃ** ৩ ৭ শুবা এন. হজারি এন্দ ডাঃ এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ফাইনেলদা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈ অমসুং মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম (বি) শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা এক্স পোলো ক্লবনা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৩-১২ দা, মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম (বি) না ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৫-৪ থোইখি।

**কাং (এল)ঃ** অনিসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ওইনাম কাংখুৎ অমসুং কৈশামথোং পাঞ্জল ১৮-১৮ কাপদুনা দ্রো চৎখি। হয়েং খুন্দ্রাকপম অমসুং এস.এস.য়ু. শান্নগনি।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** পি.টি.আর.সি. পাৎশোইনা ৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ ডব্লিয়ু রামানন্দা ইলিদ টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী চেম্পিয়ন ওইরে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা পি.টি.আর.সি. পাৎশোইনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু রন-২ দা মায়থিবা পীখি।

পি.টি.আর.সি. পাৎশোইগী ফৈরোইজম জোতিন সিংহনা মেন ওফ দা মেটচ তাখি।

**হেন্দবোল (এল)ঃ** মনিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসন অমসুং কংলৈ ভোলুন্টরি ৱাকরস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোরকপা ৪৭ শুবা ষ্টেট লেবেল বোইজ এন্দ গালর্স হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ময়াং ইম্ফাল কোকচাই গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচশিংদা ৱাই.এল.কে. চিঙারেলনা কে.ভি.ডব্লিয়ু.এ-কোকচাইবু পাঞ্জল ১৭-৮ দা মায়থিবা পীদুনা নুপীগী চেম্পিয়ন ওইখি।

কে.ভি.ডব্লিয়ু.এনা ৱাই.এল.কেবু পাঞ্জল ৩১-১৬ তা মায়থিবা পীদুনা নুপাগী কাংলুপ্তা চেম্পিয়ন ওইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি আর্টিফিসিএল তব গ্রাউন্দ-লমলোং থোংখোংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ু.এস.এ. খুরাইনা য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লবপু পাঞ্জল ১-০ দা, য়ঙ ফিজিক্স য়ুনিয়ননা উপা-কিয়ামগৈবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** এস.দি.সি. শামুরৌনা শিনবা অহানবা শামুরৌ চিংগোং ট্রোফি নাইন মেন এ সাইট ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.সি.এফ.এ. লৈফাকপমনা এম.এফ.সি.সি. ৱাংজিংবু পাঞ্জল ১-০ দা

থোইখ্রে।

**মুকা (এল)ঃ** থৌবাল নিংথৌ লাইবুংদা মুকা, থাং-তা, শরিৎ-শারা অমদি জগোইগী শিনতম লোইশঙ অমা ঙসি হাংদোকখে। হাংদোকপগী থৌরমদা খাঙবোক কেন্দ্রগী এম.এল.এ. সুরজ কুমার ওক্রম শরুক য়াখি।